# ম্যান্মারগা লোন্নবা বোর্দর পিল্লর নম্বর ৮০ দগী ৮২ মরক্কী ফাউনবা লম্বীশিং মেনশিনখ্রে

### বি বোংজাং ভিল্লেজগী খুঞ্জাশিংদি চেঙ মরু অমত্তা ফংলমদ্রে

মোরে, এপ্রিল ১০ (এস এন এস )ঃ
কোরোনাভাইরসতগী ঙাক-থোক্নবা লৌখৎপা চেকশিন থৌরাংগী মনুং চন্না তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী ম্যান্মারগা ফাওনবা মোরে সেন্টরগী অরোনবা লম্বীশিং শম্বল খাজিন্দুনা মেনশিনবগী থবক তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না লেপ্তুনা চখ্রি লোয়ননা ইন্দো-ম্যান্মমার বোর্দর পিল্লর নম্বর ৮০ দগী ৮২ ফাওবগী মরক্তা লৈবা তোঙান তোঙানবা ভিল্লেজশিং বি বোংজাং ভিল্লেজ, ক্বাথা খুনৌ ভিল্লেজ, মোলফাই ভিল্লেজদা অহোবা অমদি অরোনবা লম্বীশিং শম্বল খাজিন্দুনা ঙসি মেনশিনখ্রে।



দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন অমসুং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী মায়কৈদগী বি বোংজাং ভিল্লেজ অমসুং এল মোলফাই ভিল্লেজদা অৱা তেঙবাং ওইনা চেঙ পীরমখি। অমরোমদা অহোবা অমসুং অরোনবা লম্বীশিং থিংজিন্দুনা শম্বল খাজিনবা অদুদা এস পি তেংনৌপল টিঐচ বিক্রমজিৎ, এ দি সি মোরে এল মনিকান্ত, এদিস্নেল এস পি (ওপস) টিঐচ কৃষ্ণতোম্বী অমদি এম অমিট, মণিপুর রাইফলস, আই আর বি, ৪৩ অসাম রাইফলস, বি আর টি এফকী মীওইশিংসু শরুক য়াখি হায়রি।

মরক অসিদা ম্যান্মার ঙমখৈ মনাক্তা খুন্দারিবা বি বোংজাং ভিল্লেজদদি গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী হৌজিক ফাওবদা চেঙ মরু অমফাওবা ফংদনা লৈরম্লে হায়রি। লৈবাক শীনবা থুংনা লোকদাউন লাউথোকখিবা অসিনা মরম ওইরগা ষ্টেট অসিগী চীংগী মনুং হঞ্জিন্না খুন্দারিবা মপূং ওইনা ঙমখৈ নক্না খুন্দারিবা ভিল্লেজ খরগী খুঞ্জাশিংদি ম্যান্মাররোমদা চঙদুনা নোংমগী চঙদ্রবা য়াদ্রবা চান-থক্নবা পোৎলমশিং লৈরম্বা অদু অথিংবা থমখিবা অমদি খুঞ্জাশিংনসু কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসি কিবদগী চৎনখিদবনা অৱাবা মায়োক্নখিবনি।

ঐখোয়গী পাউমীনা হায়, তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং হঞ্জিন্না লৈবা বোর্দর পিল্লর নম্বর ৮০ মনাক্তা ম্যান্মার ঙমখৈ নক্না খুন্দারিবা বি বোংজাং ভিল্লেজ অসি য়ুম্নাক ১৪ গী ইমুং ১২০ লোম লৈবা ভিল্লেজ অমনি। ভিল্লেজ চীফ ঙমশোন বাইতেনা ফোঙদোরকখিবদি কোরোনাভাইরসতগী ঙাকথোক্নবা লৌখৎলিবা অকনবা চেকশিন থৌরাংনা মরম ওইরগা ম্যান্মারগা ফাওনবা লম্বীশিং থিংজিনখিবা অমরোমদা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা মীয়ামগী অৱাবদা মতেং ওইনবা মমাঙ থা মার্চতা লেম্না চেঙ ফংহনখিবা অদু ভিল্লেজ অসিগী ওইনদি ঙসি ফাওবা মরু অমত্তা ফংবা লৈত্রি।

লোকদাউন তৌখিবা অমদি ঙমখৈ পরিংগী ফাউদোক ফাউজিন য়াবা লম্বীশিং থিংজিনখিবদগী নোংমগী চঙদ্রবা য়াদ্রবা চান-থক্নবা পোৎলমশিং ফংদবগী অৱাবা খুঞ্জাশিংনা খম থেংনা মায়োক্নরে। ম্যান্মাররোমদা চৎলগা পোৎ লৈবসু য়াদবা অদুগা মোরেরোমদা চৎলগসু কার্ফিউ অমদি লোকদাউন্না মরম ওইরগা কৈথেল অমসুং দুকান হাংদবা অমদি মোরে য়ৌনা চৎপদা খুদোংচাদবা কয়া থেংনবা অসিনা অমুক্কসু হেন্না অৱাবা মায়োক্নরে। মরম অদুনা মণিপুর গভর্ণমেন্ট, দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না ঙমখৈ পরিংদা লৈবা ভিল্লেজগী খুঞ্জাশিংগী অৱাবা অসি খঙবিদুনা তঙাইফদনা চান-থক্নবা পোৎলমশিং মতম চানা ফংহনবিয়ু হায়নসু ভিল্লেজ চীফ ঙামসোন বাইতেনা ফোঙদোরক্লি।

## এৱার্দ য়েন্থোকপগী থৌরম য়ৈথোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১০ (এস এন এস )ঃ
লৈখিদ্রবা ওইনাম বালদেব সিংহগী মপোক কুমওনগা মরী লৈননা চহী খূদিংগী আর্টিষ্টশিংদা এৱার্দ য়েন্থোকপগী থৌরম চৎলিবা থা অসিগী ১৯ দা পাঙথোক্কনি তৌরম্বদু লৈবাক্কী ওইরিবা ফিভম অসিনা মতম কক্তনা য়ৈথোক্লে হায়না ওইনাম বালদেব মেমোরিয়েল ট্রষ্ট কৈশামথোং এলাংবম লৈকাইগী সেক্রেটরী জিটেস ওইনাম্না ফোঙদোরক্লি।

## ফার্ম অমদি লৌমীগী এরিয়াদি কোমথোকহল্লু

ইম্ফাল, এপ্রিল ১০ (এস এন এস )ঃ
লোকদাউন অমসুং কার্ফিউনা মরম ওইরগা মীয়াম্না অৱাবা মায়োক্নরিবা অসিদা খরা হেন্না ৱারিবসি লাইরবা অমসুং শুরি নোল্লিবশিংনি। মরম অদুনা ফার্ম অমসুং লৌমীগী এরিয়াদা অথিংবা অসি কোমথোকহল্লু হায়না সি পি আই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলনা গভর্ণমেন্টকী পুক্নিং চিংশিল্লি।

পোথোক পুথোক পুশিন তৌবা, য়োনবা অমদি মথং লৌরোক্কী দরকার ওইবশিং লাঙশিন্নবা হোৎনবদা লোকদাউন অমসুং কার্ফিউ অসি শুরি নোল্লিবশিংগীদমক্তদি খরমখৈ কোমথোক্নবা দাবী তৌরি।

চেরোল অমদা হায়, ঙানু য়েন অমদি মীওইবগী চীঞ্জাক্কীদমক ফার্ম তৌরিবশিংগীদমকসু লোকদাউন অমসুং কার্ফিউদগী কোমথোক্নবা হোৎনগদবনি। অতোপ্পা অমনা মফম খূদিংদা লৈরিবা গ্রোসরি দুকানশিংসু থোঙ হাংবা য়ারোই হায়খ্রবনিনা লোন্নখ্রে। হোম দিলিভরিগী থবকসু ঙমদে। অদুনা গ্রোসরি দুকানশিং অসিসু অথিংবা অসিদগী কোমথোকপিয়ু হায়রি।

## অৱাবা ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১০ (এস এন এস )ঃ
সি পি আইগী মেম্বর ওইনা ১৯৭৪ দগী থবক থৌরম কয়াদা শরুক য়ারকখিবা খাবি খুলদগী কৈথেল্লাকপম পাকপি সিংহনা মশাগী অনাবা অমদগী ঙসি লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙখ্রে। মশাগী চহী ৭৫ শুখ্রবা কমরেদ পাকপি সিংহ মীয়ামগী অন্দলোন্দা শরুক য়াদুনা জেলদা লৈখি। মহাক গভর্ণমেন্টকী এসিষ্টেন্ট টিচর অমা ওইনা থবক তৌরমখি হায়রি।

## দি সি নৎত্রগা সি এম ওগী অয়াবা য়াওদবদগী পাউমীশিং চঙহনখিদ্রে

জিরিবাম, এপ্রিল ১০ (জে এন এন )ঃ
উচাথোলদা লৈবা ক্বারেন্টিন সেন্টর ওইনা শীজিন্নরিবা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা দিপ্যুটি কম্মিস্নার নৎত্রগা চীফ মেদিকেল ওফিসারগী অয়াবা লৌদ্রবদি চঙবা য়ারোই হায়না পাউমীশিং চঙহনখিদ্রে।

ঙসি জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টতা বেজ তৌবা পাউমীশিংনা ক্বারেন্টিন সেন্টর ওইরিবা মফম অদুগী অৱাৎ অপাশিং অমদি লৈফম থোকপা মচাক মথুমশিং লৈতে হায়বগী ৱাকৎ কয়া লাকপদগী মদুগী অচুম চুমদা খঙদোক্নবা মফম অদুদা চৎলুবদা মথৌ তৌরম্বা ওফিসিয়েলশিংনা দি সি অমসুং সি এম ওগী অয়াবা য়াওদে হায়না অথিংবা পীরকখিবনি।

তুংদা পাউমী কাঙবু অদুনা দিপ্যুটি কম্মিস্নার দব্লিউ মালেমঙানবা চেঙলৈগা উনরুবদদি হোস্পিটাল অসিদা ক্বারেন্টিন তৌরিবা মীওইশিং ডাক্তরশিংনা নীংথিনা য়েংশিল্লি হায়না পাউদম্লকপগা লোয়ননা লায়না লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্নবা পূন্না হোৎনমিন্নসি হায়নসু ফোঙদোরকখি। জিরিবামগী ফোরেন্নর চেক পোষ্টতা মেদিকেল অমদি পুলিস টিম্না য়াম্না চেকশিন্না মথৌ তৌরি। অদুবু হৌজিক্কী ওইনা হয়ার ওথোরিটিদগী দ্রাইভর অমদি হিন্দিমেনখক্তমক নীংথিনা চেক তৌরগা চঙবগী অয়াবা পীরি। মফম কয়া ফাওদুনা লাকপা পোৎ চৈ থন্না য়াওরকপা ট্রক গারীশিং হিদাক নৎত্রগা স্প্রে কাপ্পগী থবক হৌজিক ফাওবগী ওইনদি তৌদ্রি হায়নসু দিপ্যুটি কম্মিস্নারনা ফোঙদোরকখি।

তঙাইফদনা চান-থক্নবা য়াওনা শীজিন্নদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং নত্তবা পোৎ-চৈ কয়া মপানলোমদগী পুশিল্লক্লে হায়বগী মতাংদা মখা তানা হংবদা অদুগুম্বা অমত্তা লৈতে হায়নসু ফোঙদোরকখি। অথুবা মতমদা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা মোবাইল এপ্প অমা শীজিন্নদুনা য়ুমথোঙ খূদিংদা তঙাইফদবা চান-থক্নবা পোৎলমশিং পীনবগী থৌরাং লোইশিল্লক্লে। অথুবদা মীয়াম্না ময়ুম ময়ুমদা লৈরবা পোৎ লৈবা য়ানবা থৌরাং তৌরগনি হায়নসু দিপ্যুটি কম্মিস্নারনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা থক্নবা য়াওনা ঈশিংগী অৱাবা মায়োক্নরিবা মফমশিংদা জিরিবাম পুলিসনা মতেং পাংবা হৌখ্রে। ঙসি মফম ৪ গী খুঞ্জাশিংদা তুরেলগী ঈশিং য়েন্থোকখ্রে।

এস পি জিরিবাম এম মুবি সিংহনা হায়, জিরি তুরেলগী ঙমখৈ পরিংদা শম্বল লৈতবনা মরম ওইরগা খুঞ্জাশিং য়াওনা মপানদগী চঙলকপা মীতোপশিং থিংনবা অমদি আই দি কার্দ ইসু তৌনবা ভোলুন্টিয়ার ১২০ লোম থন্লি। পুলিসনা ঈশিংগী অৱাবা অসি য়েংদুনা ঙসিদগী ঈশিং য়েনবা হৌখিবনি। হয়েংসু মুস্লিম খুল খরদা ঈশিং য়েনগনি হায়খি।

## চরোই খুল্লেন চিরু খুলগী খুঞ্জাশিংনা মনা মশিং তেংবাংলকখ্রে

বিষ্ণুপুর, এপ্রিল ১০ (এস এন এস )ঃ
চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা চরোই খুল্লেন চিরু খুলগী খুঞ্জাশিংনা চীংদা হৌবা চানবা মনা মশিং কয়া তেঙবাং ওইনা ঙরাং বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী নিংথৌখোংদা পুরক্তুনা খুৎশিন্নখ্রে।

চরোই খুল্লেন চীরু খুলগী প্রসিদেন্ট টি দি জোন্না লুচিংদুনা লাকপা চরোই খুল্লেনগী খুঞ্জাশিংনা পুরকপা লফু, মাইরেন, তোরবোৎ, হৈবা মনা, য়েঙ্খুম মনা, উশিংশা-নচিংবা পোৎলমশিং অদু ঙরাং নিংথৌখোং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী চিয়ারপার্সন এল ইবুংঙো অমদি অতৈ কাউন্সিল্লরশিং অমসুং বিষ্ণুপুর ইন্টিগ্রেটেদ ফোরম ওফ ওর্গনাইজেসন নিংথৌখোংগী মেম্বরশিংনা নিংথৌখোং পব্লিক পার্কতা তরাম্না ওকপগা লোয়ননা লৌশিনখি হায়রি।

অতোপ্পা অমনা তোরবুংদা লৈবা সলাই কনবা লূপ তোরবুং ফৌগাকচাউ ইখাই য়ুনিট অমসুং ৭-ঙাংখলৱাই জিল্লা পরিষদকী মেম্বর মুতুম কাননবালা লৈমগা খুৎশম্নদুনা অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা তোরবুং গ্রাম পঞ্চায়টকী মনুংদা লৈবা ইমুংশিংদা অলু, অচাথাউ, থুম, হৱাই তিলহৌনচিংবা চানবা পোৎলমশিং য়েন্থোক্তুনা তেঙবাংখ্রে।

সলাই কনবা লূপ ময়াই লোয়শঙগী পব্লিসিটি এন্দ ইনফোর্মেসন সেক্রেটরী টিঐচ দেবান মৈতৈনা হায়, কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্নবা লৌখৎলিবা চেকশিন থৌরাংগা মরী লৈননা চখরিবা লোকদাউনগী চৈথেং ফংলবা ইমুংশিংগী অৱাবা খরদা ওইরবসু কোক্নবা তেঙবাং পোৎলমশিং অসি য়েন্থোক্তুনা মতেং পাংখ্রে।

অমরোমদা পি ঐচ ই দি বিষ্ণুপুর দিভিজনগী ই ই রম্বো পুয়ামগী মীৎয়েং মখাদা পি ঐচ ই দি মোইরাং সব দিভিজন্না ক্বাক্তা গ্রাম পঞ্চায়টনা কোনবা মফমশিংদা ঈশিং টেঙ্কি শীজিন্নদুনা মীয়ামদা থক্নবা ঈশিং য়েন্থোকখ্রে। মোইরাং সব দিভিজনগী এ ই অদাম্না লুচিংবা ওফিসিয়েল টিম অমনা অয়ুক অঙনবদগী হৌনা জি পি অসিগী মনুং চন্না লৈবা খুঞ্জাশিংদা ঈশিং ফংহন্নবগী থবক তৌখি হায়রি।

নম্বোল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল ৱার্দ নম্বর ১গী কাউন্সিল্লর পি অরুনা দেবীনসু ৱার্দ অসিগী য়ুমথোঙ খূদিং চত্তুনা চান-থক্নবা পোৎলমশিং য়েন্থোক্তুনা মতেং পাংখ্রে হায়রি।

## চিয়ারপার্সন মিনরজাননা মতেং পাংখ্রে

বিষ্ণুপুর, এপ্রিল ১০ (এস এন এস )ঃ
বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মোইরাং এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মনুংচন্না লৈবা ক্বাক্তা ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী চিয়ারপার্সন মিনরজান অমসুং মহাক্কী ইমুং মনুংনা কাউন্সিল অসিগী ৱার্দ নম্বর ৭ গী য়ুমথোঙ খূদিংদা হৱাই, অলু, থুম, অমদি মনা মশীং য়েন্থোক্তুনা মতেং পাংখ্রে।

ৱার্দ অসিগী ইমুং ২৪০ রোমদা চিয়ারপার্সন মিনরজান অমদি মপুরোইবা সোসিয়েল ৱার্কর অনৱার আলি, ৱার্দ মেম্বর ২ অব্দুল লতিফ অমদি সাহিদুর রহমন য়াওনা ঙরাং য়ুমথোঙ খূদিংদা চান-থক্নবা পোৎলমশিং য়েন্থোক্তুনা মতেং পাংখিবনি। হৌজিক লৈবাক অসিনা কোভিদ-১৯ লাম্থেংনরিবা অসিদা গভর্ণমেন্টনা লৌখৎলকপা চেকশিন থৌরাং খূদিংমক ঐখোয়না মপূং ফাহনসি। ক্বাক্তা ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী মনুংদা লৈবা মীওইশিংনা মরম লৈতনা য়ুমদগী মপান থোকপিগনু হায়নসু মহাক্না আপিল তৌখি।

## কলচরেল ফোরম্না পীগদবা মনা ফংগদবশিংগী মিং লাউথোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১০ (এস এন এস )ঃ
কলচরেল ফোরম মণিপুরনা চহী ২-২ খূদিংগী মণিপুরী খোরিরোলগী হিরমদা পীগদবা মনা ফংগদবা মীওই ৩গী মিং ঙসি লাউথোকখ্রে।

ফোরম অসিগী জেনরেল সেক্রেটরী ক্ষেত্রি রাজেন্না থাদোরকপা চেরোলনা হায়, হৌখিবা মার্চ ২৯ দা ফোরম অসিগী এগজিক্যুটিভ কম্মিটিনা অয়াবা পীখিবগী মতুং ইন্না মনা ফংগদবশিংগী মিং লাউথোকপনি।

মনা ফংগদবশিং অদুদি শগোলবন্দ তেরা লৌক্রাকপম লৈকাইদগী কাংজম ইবোহল সিংহদা হৈক্রুজম ইবুঙোহল ট্রান্সলেসন এৱার্দ ২০২০ (লাইফ টাইম এৱার্দ ট্রান্সলেসন), লংথবাল কুঞ্জ অৱাং লৈকাইদগী প্রো নোংমাইথেম রাজমুহোন সিংহদা ৱাংখৈরাকপম গৌতম মেমোরিয়েল এৱার্দ ২০২০ (বেষ্ট সাইন্স রাইটর) অমসুং অসামগী গুৱাহাটি জাতিয়া কাহিলি পারা রোদতা লৈবা অনীতা নিঙোম্বমদা খাইদেম নবকুমার সিংহ মেমোরিয়েল এৱার্দ ২০২০ (মপান মণিপুরদা লৈবা ট্রান্সলেটর) পীরগনি হায়রি।

মথং থা মে ১৭ নোংমাইজিং নুমিৎ কলচরেল ফোরম মণিপুরগী ৬২ শুবা ফাউন্দেসন দেগী থৌরমদা মনাশিং অসি লান্থোক্কনি অদুবু মালেম পূম্বগী ওইনা কোভিদ-১৯গী লাইচৎনা মরম ওইদুনা গভর্ণমেন্টনা থন্লিবা অথিংবা মখা তানা লৈরগদি অতোপ্পা ফোরম্না লেপ্পা নুমিৎ অমদা লান্থোক্কনি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## ক্বাক্তা কোভিদ-১৯ রিলিফ কম্মিটিনা মতেং পাংবা হৌখ্রে

মোইরাং, এপ্রিল ১০ (এস এন এস )ঃ
মোইরাং এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মনুং চনবা ক্বাক্তা জি পি অমসুং ক্বাক্তা ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী এরিয়াদা লৈবা শোত্থারবা ইমুংশিংদা নোংমগী তঙাইফদনা চঙদ্রবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং কোভিদ-১৯ রিলিফ কম্মিটি ক্বাক্তানা ঙসি য়েন্থোক্তুনা মতেং পাংবা হৌখ্রে।

ক্বাক্তা বাজারদা লৈবা মদ্রাসাদগী য়ুমথোঙ খূদিং চঙদুনা তেঙবাং পোৎলমশিং য়েন্থোক্কদবা ভোলুন্টি-য়ারশিং অদু রিলিফ কম্মিটিগী কনভেনর মৌলানা ইস্রাউদ্দিন ক্বাসমি অমদি সোসিয়েল ৱার্কর অনৱার অলি য়াওনা থৌমীশিংনা লমথাখি। কনভেনর ইস্রাউদ্দিন ক্বাসমিনা হায়, ক্বাক্তা এরিয়াদা লৈবা চীংমী তম্মী, মৈতৈ অমদি মৈতৈ পাঙলশিং, নন-মণিপুরীশিংগী খরা হেন্না শোত্থবা অৱাবা ইমুংশিং খল্লগা ম্যুনিসিপাল এরিয়াগী ইমুং ৩৮৫ অদুগা গ্রাম পঞ্চায়ট এরিয়াগী ইমুং ২০৩ পূন্না ইমুং ৫৫৮ দা ইমুং অমমমদা চেঙ কেজি ১০/১০ অমদি লুপা ২০০/ ২০০ মতেং পাংখি।

রিলিফ কম্মিটি অসিদা ঙরাং ফাওবদা পুকচেল চাউরবা মীওইশিংনা লুপা ৩,৯৮,৬০০ তেঙবাংবিরকখি। অদুবু তেঙবাং পোৎলমশিং লৈবা অমসুং য়েন্থোকপদা পূন্না লুপা ৪,০৪,৮৫০ চঙখ্রে। তেঙবাং পোৎলমশিং অদু য়েন্থোকপদা সোসিয়েল ৱার্কর হাজি অহমদ খান্না মথৌ তাবা গারীশিং পুথোকখি। করিগুম্বা লোকদাউন অসি মখা চত্থরক্লবদি মীয়ামগী অৱাবদা অমুক্কা হেন্না মতেং পাংনবা থৌরাং তৌগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোরক্লি।

## য়ু এস এস এ এনগী মথক্তা লিগেল সুট তৌনবা শেম শাখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১০ (এস এন এস )ঃ
ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা লাউথোকখিবা অমদি থোকখিবা য়াথংগী মতুং ইন্না লোকদাউন তৌরিঙৈ য়ুমদগী হেন্দোক্তনা লৈরিঙৈ মতমদা মীওই অমমমদা ফংফম থোকপা চেঙ শুনা পীবিনবা উরিপোক এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মনুং চনবা লম্বোই খোংনাংখোং অপূনবা নুপী লূপ অমদি য়ুনাইটেদ ফ্রেন্দস লাইব্রেরী এন্দ ক্লব অনীগী মীহুৎশিংনা হায়রুবগীদমক লূপ অনী অসিগী মীহুৎ ৱাই চিত্রা দেবী অমদি দব্লিউ লোকেশ্বর সিংহদা অতম্ননা উরিপোক শেমগৎ-শাগৎপা অপূনবা লূপ (য়ু এস এস এ এল)না লিগেল সুট তৌগনি হায়বগী ৱাফম মেদিয়াগী খুত্থাংদগী থেংনরে।

ইসু অসিদি লৈবাক্কীনি। মরন্নাই নত্তে। মরম অসিনা য়ু এস এস এ এলগী মথক্তা মীয়ামগী মহুৎ শিল্লগা লিগেল সুট তৌনবা শেম শারে হায়না য়ুনাইটেদ ফ্রেন্দস লাইব্রেরী এন্দ ক্লব লম্বোইখোংনাখোঙগী প্রসিদেন্টনা ফোঙদোরক্লি। মসিদা লৈকাই লৈকাইগী ক্লবশিংনসু মতেং পাংবিনবা হায়রদুনা করিগুম্বা লূপ অনী অসিগী মেম্বরশিংদা ফত্তবা থোকহন্নিংদবা থোরক্লবদি মদুগী দাইত্ব পূম্বা য়ু এস এস এ এমনা পুগদবনি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

## এম এল এ অমদি শামুরৌ এম সিনা মীয়ামগী মতেং পাংহন্নিংই

ইম্ফাল, এপ্রিল ১০ (এস এন এস )ঃ
মতম শাংনা লোকদাউন তৌদুনা নোংমদা চঙদ্রবা য়াদ্রবা চান-থক্নবা পোৎলমশিং ফংলক্তবগী খম থেংনা ৱানরবা মতম অসিদা ৱাঙ্গোই এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী এম এল এ অমদি শামুরৌ ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী চিয়ারপার্সন্না মীয়ামগী অৱাবা খঙবিদুনা মতেং পাংহন্নিংই হায়না ন্যু য়ং স্পোর্টিং ক্লব শামুরৌনা ফোঙদোরক্লি।

ক্লব অসিগী জেনরেল সেক্রেটরী দব্লিউ এলিসনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, কোভিদ-১৯ গী লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্নবা গভর্ণমেন্টনা লোকদাউন অমদি কার্ফিউ লাউথোক্লিঙৈ চৈরক অসিদা অয়ুক নুংথিল নুমিদাং খাক্তনা মথৌ তৌরিবা ডাক্তর, নর্সশিং, মেদিকেল ষ্টাফ, পুলিস পার্সোনেল, মেদিয়াগী মীওইশিং অমদি তঙাইফদবা পোৎলমশিং ফংহন্নবা হোৎনরিবা পূন্নমকপু ক্লবকী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোঙদোক্লি।

মতম শাংনা লোকদাউন তৌরকপনা নোংমদা চঙদ্রবা য়াদ্রবা চান-থক্নবা পোৎলমশিং ফংনদবগী অৱাবা খম থেংনা মায়োক্নরে হায়বসি পূন্নমক্না খঙন-উনরিবনি। অসিগুম্বা তাঞ্জাদা ৱাঙ্গোই এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী এম এল এ অমদি শামুরৌ ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলনসু মীয়ামগী অৱাবা খঙবিদুনা মতেং পাংবিয়ু হায়রি।

## ডা. চন্দ্রমনি লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১০ (এস এন এস )ঃ
মণিপুর লেজিস্লেটিভ এসেমব্লিগী স্পিকর অমসুং থেংখাং কয়াদা কেবিনেট মিনিষ্টর অমদি দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টরগী ফম পায়দুনা লৈঙাক থৌদা পুবদা য়াওরম্বা অমদি শরুক য়ারম্বা ডা. এল চন্দ্রমনি সিংহনা লৈখিদবদা পাৎসোই তুলিয়াইমা সেণ্ঠুরি ক্লব (পি টি সি সি) পাৎসোই পার্ট থ্রিগী শঙলেন্দা ঙসি পাঙথোকখিবা মীফম অমনা অৱাবা অমসুং নুংঙাইতবা ফোঙদোকখ্রে।

ক্লব অসিগী জেনরেল সেক্রেটরী মুতুম সনাতোম্বা সিংহনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, সোসিয়েল দিষ্টেন্সিং ঙাক্না পাঙথোকখিবা অৱাবা ফোঙবগী মীফমদা ফেদরেল পার্টি ওফ মণিপুর অমসুং মণিপুর পিপলস পার্টিগী প্রসিদেন্টসু ওইরম্বা ডা. চন্দ্রমনিনা হিংলিঙৈ মতমদা তৌরম্বা থবক কয়া শীংথাখি।

মহাক্না লৈখিদবা অসি ষ্টেট অসিগী ওইনা অচৌবা অহোবা অমা লৈহৌরগনি হায়রদুনা ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াখি। ঙসিগী মীফম অদুনা মিনিট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা লৈখিদ্রবগী মফমদা ইকায় খুম্নবসু উৎখি হায়রি।

## ষ্টেটনা চত্থরকপা ফেসিষ্টকী থৌওং কন্দেম তৌই ঃ মসাদ

দিল্লি, এপ্রিল ১০ ঃ
মীয়ামগী ৱাখল্লোন, মত ফোঙদোকপগী হক লৈত্রবা লৈবাক অমদা চৈথেং ফংলবা মীয়ামগীদমক মণিপুর ষ্টুদেন্টস এসোসিয়েসন দিল্লি (মসাদ)না লেপ্লি হায়রদুনা ষ্টেটনা চত্থরকপা ফেসিষ্টকী থৌওংশিং অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই হায়রি।

মসাদকী প্রসিদেন্ট সাইখোম চীংখৈঙানবনা ঙসি থাদোরকপা চেরোলনা হায়, মণিপুরদা গভর্ণমেন্টকী মায়োক্তা ইবা-ঙাংবা, পেন্দবা ফোঙদোকপা, ৱাহং হংবা য়ারোই হায়দুনা রিপ্রেসিভ ফোর্স শীজিন্নদুনা মীয়াম্বু কিহন খংহনবা, মচিন মেন্দুনা থম্বা, ফাদুনা কেস পানশিনবগী থৌওং মতম শাংনদগী চত্থদুনা লাক্লি।

চেজিস খান (জে এন য়ু রিছার্স স্কোলর) অমসুং ইমতিয়াস খাননা পাউচেদা মুসলমানশিং তকথোক্নবা রাজনিতিগী খুজিল-থৌরাং হায়বা আর্টিকল অমা ইরুবগীদমক কাঙলূপকী ইরাং থোক্নবা শীল্লি হায়বগী নামাদা ফাজিন্দুনা কেস রেজিষ্টার তৌখি। অসিদসু নত্তনা কোভিদ-১৯গা মরী লৈননা গভর্ণমেন্টতা ৱাহং হংখিবা অমদি অফ-ফত্তা নৈনরগা ইরুবা মীওই খরসু ফাজিনখিবা লৈখ্রে।

মীয়ামগী য়েংদুনা কোইরেঙ্গেদা লৈবা শীজিন্নদ্রবা এয়রফিল্ডদা ক্বারেন্টিন সেন্টর শাবিয়ু হায়রুবগী-দমক য়ুথ ফোরম ফোর প্রোটেক্সন ওফ হ্যুমেন রাইটকী প্রসিদেন্ট অমসুং জেনরেল সেক্রেটরীগী মথক্তা কেস রেজিষ্টার তৌখিবা লৈখ্রে।

এম আই টিদা লেকচরর ওইবা চোংথাম ভিক্টরসু ফেসবুক্তা কোভিদ-১৯ রিলিফ ফন্দগী মতাংদা হংলুবদা ফাখিবা অমদি লৈখিদ্রবা এম কে বিনোদিনিগী মচানিপা আর কে বোবিসু ফেসবুক্তা পোষ্ট অমখক থাগৎলুবগী ফাদুনা কেস রেজিষ্টার তৌখি। অসুম্না কিহন খংহন্দুনা অচুম্ববু নমথবদি য়ারোই, মীয়ামগী খোল্লাওদি ঈশ্বরগী খোল্লাওনি, মীয়ামগী খোল্লাও নোংমদি শোয়দনা মায় পাক্লক্কনি হায়রদুনা অসিগুম্বা ষ্টেটনা চত্থবা ফেসিষ্টকী থৌওংশিং অসিদগী ঙাকথোক্নবা মান্নবা খুন্নাই, মীখা পোন্দবা খুন্নাই অমা ওইনবগীদমক মীয়াম অমত্তা ওইনা লেপ্নরসি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী দুকান অমদি পেট্রোল পম্পশিং ঙসি হাংগনি

বিষ্ণুপুর, এপ্রিল ১০ (এস এন এস )ঃ
চৎলিবা থা অসিগী ১২ ইষ্টর সন্দে অমসুং ১৩ চৈরাউবগা মরী লৈননা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা দুকান অমসুং পেট্রোল পম্পশিং হয়েং থাংজ নুমিত্তা মীয়ামগীদমক হাংগনি হায়রি। মসিগীদমক দিপ্যুটি কম্মিস্নার বিষ্ণুপুরনা ঙসি ওফিস মেমোরেন্দম অমা থোত্তুনা লাউথোকখ্রে।

দুকান্দারশিং, পোৎ-চৈ লৈবা লাকপশিং, পেট্রোল পম্প মপুশিং অমসু কষ্টমরশিংনা মশা মশাগী চেকশিন থৌরাং ওইনা শুকশোয় শোয়দনা মাস্ক উপ্নবসু মখা তানা খঙহল্লি।

## নম্বোল সাবল লৈকাইগী ইমুংশিংদা মতেং পাংখ্রে

নম্বোল, এপ্রিল ১০ (এস এন এস )ঃ
ৱার্দ নম্বর ১০ দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন, নম্বোল সাবল লৈকাই ৱার্দ দিভলপমেন্ট কম্মিটি, নম্বোল য়ুথ ক্লব এন্দ লাইব্রেরী অমদি নম্বোল সাবল লৈকাই মৈরা পায়বী ওর্গনাইজেসনমা পূন্না শেম্বা কোভিদ-১৯ রিলিফ কম্মিটিনা শীন্দুনা ঙরাং নম্বোল সাবল লৈকাইগী ইমুংশিংদা অচাথাউ, থুম, তিলহৌ, অলুনচিংবা চানবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে।

সাবল লৈকাই কম্যুনিটি হোলদা সোসিয়েল দিষ্টেন্সিং তৌদুনা অনীরক শুবা ওইনা তেঙবাং পোৎলমশিং অদু য়েন্থোকখিবনি। ৱার্দ দিভপমেন্ট কম্মিটিগী মেম্বর এস চন্দ্রকান্তনা হায়, মীয়ামদা পোৎলমশিং অসি য়েন্থোকপদা নত্তনা অহোঙবা মমলদা লৈবা য়ানবসু কম্মিটি অসিনা শীল্লি।

অমরোমদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা য়ারৌ বমদিয়ার গ্রাম পঞ্চায়টকী মনুং চনবা অৱাং জিরি মনিং লৈকাই ৱার্দ নম্বর ৭কী মেম্বর লাইশ্রম দেবেন অমদি অৱাং জিরি নহারোল য়াইফ ক্লবকা খূৎশম্নদুনা ৱার্দ অসিনা কোনবা মফমদা লৈবা ইমুংশিংদা নোংমগী চঙদ্রবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং য়েন্থোক্তুনা তেংবাংখ্রে হায়রি।

## ঙসিগী রাষি ফল (১১-০৪-২০২০)

ইবোপিশক নিংথৌজা (এৱার্দি)
*এষ্ট্রো এণ্ড পালমিষ্ট, পাউনা বাজার, ইম্ফাল*

**মেষঃ** শোক্কনবা, হকচাং ৱাখল ফবা ৱাৎপা, শেল ফংবা চৎপা মান্নবা মতম্নি। গারী তপ্না থৌগনি। কল্লকপা য়াম্মী। অরুবদি পাঙথোক্লগনি। চরাঙনগনি। নক্ষত্র ১ ফগনি, ২ চাং অমদা লৈ, ৩ ফগনি।

**বৃষঃ** চয়েৎনবা, অমুক্তংদা পাঙথোকপা ৱাবা, শেল ফংবা চৎপা মতম্নি। য়েক্নবা হেনগৎলগনি। পোৎ লৈবদি য়াগনি। ইমুংদা মত খেন্নরগনি। নক্ষত্র ৩ ফগনি, ৪ ফত্তে, ৫ ফগনি।

**মিথুনঃ** চাউখৎপা, ফগৎপা, পাঙথোক্লিংবা খরা পাঙথোকপা, ঐগী মী মশীং হেনগৎপা, খুদোংচাবা থেংনবা, অচৌবনা চানবিবা, শান্তি লৈবা মতম্নি। নক্ষত্র ৫, ৬, ৭ অফবনি।

**কর্কটঃ** হকচাং ৱাখল, থবক শেল মরুপ মফম ফগৎলগনি। হোৎনবা য়াবা কয়া মায় পাক্লগনি। অনৌবা পোৎ লৈবা য়াগনি। নক্ষত্র ৭,৮,৯ অফবনি।

**সিংহঃ** অশোক অপন থেংনবা, হকচাং ফবা ৱাৎপা, শেল চৎপা, মীনা খরা য়েংথিবা মতম্নি। অনৌবা পোৎ লৈবদি য়াগনি। ইমুংদা মত খেন্নরগনি। নক্ষত্র ১০ ফগনি, ১১ হেন্না ফত্তে, ১২ ফগনি।

**কন্যাঃ** চয়েৎনবা, খুদোংচাবা ৱাৎপা মরক্তা পাঙথোক্লিংবা খরদি মায় পাক্লা পাঙথোক্লগনি। অনৌবা পোৎ লৈবা য়াগনি। ইমুংদা চরাঙনগনি। নক্ষত্র ১২ ফগনি, ১৩ ফত্তে, ১৪ ফগনি।

**তুলাঃ** খুদোংচাবা তোয়না থেংনবা, অচৌবশিংনা নুংশিবিবা, ঐগী মী মশীং হেনগৎপা, পোৎ লৈবা য়াবা মতম্নি। ইমুংদা চরাঙনগনি। নক্ষত্র ১৪ ফগনি। ১৫ ফত্তে, ১৬ ফগনি।

**বৃশ্চিকঃ** হকচাং ৱাখল ফগৎপা, পাঙথোক্লিংবা খরা পাঙথোকপা, মরুপ মফম ফগৎপা, অনৌবা পোৎ লৈবা য়াবা, ইমুংদা শান্তি লৈবা মতম্নি। নক্ষত্র ১৬,১৭,১৮ ফগনি।

**ধনুঃ** অশোক অপন থেংনবা, খৎনবা, ৱারৌবা মতম্নি। শেল মরম চাদনা চৎলগনি। পাঙথোক্লিংবদি পাঙথোক্লগনি। লম চৎপা চেকশিল্লু। চরাঙনগনি। নক্ষত্র ১৯ ফগনি, ২০ ফত্তে, ২১ ফগনি।

**মকরঃ** চরক চহিং নাইবা মরক্তা অরুবা খরদি পাঙথোক্লগনি। হকচাং ৱাখল ফগৎলগনি। মরুপ মফম পাক চাউখৎলগনি। নক্ষত্র ২১ ফগনি, ২২ ফত্তে, ২৩ ফগনি।

**কুম্ভঃ** খুদোংচাবা তোয়না থেংনবা, চাউখৎপা, ফগৎপা, মরুপ মফম ফগৎপা, অচৌবশিংনা নুংশিবিবা মতম্নি। ইমুংদা শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ২৩,২৪,২৫ অফবনি।

**মীনঃ** হকচাং ৱাখল ফগৎপা, পাঙথোক্লিংবা পাঙথোকপা, পোৎ লৈবা য়াবা, অচৌবশিংনা নুংশিবিবা, ইমুংদা শান্তি লৈবা মতম্নি। নক্ষত্র ২৫,২৬,২৭ অফবনি।







